সান ফ্রান্সিস্কোদা অহানবা ওইনা কুচু মুবী নুপী ১না মেয়র ওইরগনি

সান্টফ্রান্সিস্কো, জুন ১৪ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এসকী সিটিশিংদা অমেরিকান সিটিজন ওইরবা অফ্রিকা মচাশিংগী মশিং য়ামখৎলক্লে। সান ফ্রান্সিস্কোদা অহানবা ওইনা কুচু মুবী নুপী অমনা মেয়র ওইবা ঙমখ্রে।

লন্দন ব্রিদ কৌবী নুপী অদু মতম শাংনা কম্যুনিটি এক্টিভিষ্ট ওইনা থবক তৌরম্মী। মহাক ঙসিদি সান ফ্রান্সিস্কোগী মেয়র অমা ওইনা মীখলদা মায় পাকখ্রে। চহী ৪৩ রোম শুরবী নোল্লুকপী নুপী অদুনা মহাক্কী লম্বাদগী ভোট মশিং চাদা ৫০ হেন্না ফংদুনা মায় পাকখ্রে। য়ু এসকী অচৌবা অমদি মকোক থোংবা খ্বাইদগী চাউবা মফম ১৫ গী মনুংদা মেয়র ওইনা মায় পাক্লকখিবা ব্রিদনা অহানবা ওইরে।

সান্ট ফ্রান্সিস্কোদা লৈবা ময়ুম লৈজদবা, লম্বীদা য়ারেক্লিবা মীওই কয়াবু মালেমগী থাক্তা চিংখৎনবা অমদি মরল লৈবা মীওই অমা ওইহন্নবা অমদি য়ুম লিংবা ঙম্ননবগী ড্রাইব কয়াসু ব্রিদনা চঙশিনখিবা লৈখ্রে। সান ফ্রান্সিস্কো বোর্দ ওফ সুপরভিজনগী প্রসিদেন্ট ওইনসু থৌ পুরমখি। লোয়নননা সিটি গভর্ণমেন্ট লেজিসলেটিব বোদিগীসু থৌ পুরমখি হায়রি।

মদুতা নত্তনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা মেয়র ইদ লি লৈখিদ্রবা মতুং অতেনবা মতম খরা মেয়র ওইনা থৌ পুরন্বসু লৈখ্রে হায়রি।

জুন ৫ দা পাঙথোকখিবা মীখল অদু মতম থেংথনা লাউথোরকপদা মহাক মায় পাকখিবনি। ব্রিদকী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা মার্ক লেনো সিটি অদুগী অহানবা গে মেয়র ওইনা থৌ পুরল্লবনি। মীওই অদুদগী ব্রিদনা মশিং চাদা ৫০ হেন্দুনা মায় পাকখ্রে। সান ফ্রান্সিস্কোদা নুপীনা মেয়র ওইবা ব্রিদনা অহানবদি নত্তে। অদুম ওইনমক কুচু মুবী নুপী অমনা মেয়র ওইরকপদি অহানবনি। কুমজা ১৯৭৮ তা দিয়ানি ফিনষ্টেননা মেয়র ওইখিবা লৈখ্রে। মহাক হৌজিক্তি কালিফোনিয়াগী সিনেটর ওইনা থৌ পুরি হায়রি। য়ু এসতা লৈবা অপীকপা ক্লব অমদা মহাক অমুবী নুপী অমা ওইনা য়াওরকখি। ব্রিদনা মতম শাংনা মীয়ামগী থবক তৌদুনা লাকপগা লোয়নননা অফ্রিকান অমেরিকান অমা ওইনা লমদম অদুদা মাঙজিল থানা পব্লিক হাউসিংগী লমদা থৌ তৌরকখি হায়না সান ফ্রান্সিস্কো ক্রোনিকলনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

সান ফ্রান্সিস্কোদা পোকপদগী লৈরক্লবী ব্রিদনা মহাক্কী কেরিয়র শেমগৎলক্তুনা থাক অসি য়ৌবা ঙল্লকখ্রে। কুমজা ২০১৬ তা সান ফ্রান্সিস্কো ইগজামিনরনা মহাকপু ইন্টর্ভ্যিু লৌখিবসু লৈখি। মতম অদুদা মহাক্লা হায়, থা ১ দা দোল্লর ৯০০ খক্তমক ফংদুনা মখোয় সিটি অদুদা হিংলকখি হায়খি।

মাইগ্রেন্ট ৭১ শ্বর ফুন্দুনা শিখিবগা মরী লৈননা হঙ্গেরিদা মীওই মরি চহী ২৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

বুদপেষ্ট, জুন ১৪ (এজেন্সী)ঃ

কুমজা ২০১৫ দা লোরি অমদা পুদুনা লাকখিবা মাইগ্রেন্ট ৭১ না শ্বর ফুন্দুনা শিখিবগা মরী লৈননা হঙ্গেরিদা মীওই মরি চহী ২৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

হঙ্গেরিদা রেজিষ্টার তৌবা লোরি অমগী মনুংদা পুমথরবা হকচাংশিং অদু লৈরম্বা পুলিসনা থেংনখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অফঘানিষ্টান মচা অমা অমসুং বুলগেরিয়াগী মীওই অহুম শাংলবা চহী কয়া জেলদা লৈবগী চৈরাক অদু পীখি। অদুগা অতোপ্পা মীওই ১০ না অতেনবা মতমগী মনুংদা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে হায়রি।

মীওইশিং অদু মী লল্লোনবগা মরী লৈননা মরাল লৈরে হায়বা খঙবা ঙল্লে। কুমজা ২০১৫দা ময়াই থংবা য়ুরোপকী শরুকশিংদা মাইগ্রেন্ট কয়া থোমজিল্লকপগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। সিরিয়া অমসুং ৱাথোক লৈরিবা মফম কয়াদগী চেন্নরকপা মীওই কয়া থোমজিন্নরকপদগী চাউনা খুদোংচাদবা অদু মায়োক্লখিবনি হায়রি।

কেক স্কেমেটতা চথখিবা ট্রাইয়েল অদুদা মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুনা ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা লেপখি। মীশি-মীনা নংখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবা বুলগেরিয়া মচা অহুমদি হৌজিক ফাওবা ফাবা ঙমদনা লৈরি হায়রি।

খুদোংথিবা মায়োক্লখ্রবা মীওইশিং অদু ইরাক, অফঘানিষ্টান, সিরিয়া অমসুং ইরানদগী চেন্নরকখিবনি। মখোয়গী মনুংদা নুপী ৮ অমসুং অঙাং ৪ য়াওরি। অদুগা ৫৯ না নুপাশিংনি হায়রি। মীওইশিং অদু মশক মমিং খঙদোকপা ঙমখ্রে। অপীকপা শাদোং পুবা লোরি অমদা মীওই ৭১ অদু ছো লোনশিন্দুনা পুরকপদা মীওইশিং অদু শ্বর ফুন্দুনা লৈখিদবনি। পুং ৩ লোম চুপ্পা অপীকপা গাড়ী অদুগী মনুংদা নমশিন্দুনা লাকপদা মীওইশিং অদু শ্বর ফুনখিবনি হায়রি।

কা হেন্না শাবা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম মরক্তা মীওইশিং অদু গাড়ী অদুগী চেম্বর মনুংদা হাপচিন্দুনা পুরকখিবনি। লোরি অদু হৌজিকসু হঙ্গেরিদা লৈরি হায়রি। ওষ্ট্রিয়াগা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা পান্দোর্প মনাক্তগী লোরি অদু ফংবা ঙমখিবনি। লোরি অদু য়েন মকোকনচিংবা য়েকপগা লোয়নননা নুংশিৎ-নুংশা চঙদবা চেকশিন্না টাইট তৌবা গাড়ী অমনি। গাড়ী অদুগী মনুংদা মীওইশিং অদু তোংহল্লবা মতুং থোঙ লোনশিনখিবনা মরম ওইরগা মীওইশিং অদুনা শ্বর হোনবদা শীজিন্নগদবা নুংশিৎ ফংবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মীওইশিং অদু লৈখিদবনি হায়রি।

প্রোসিক্যুসনগী মতুংইন্না মী লল্লোনবা কাঙবুনা মাইগ্রেন্টশিং অদু পুরকপদা শোয়বদগী শিখিবনি। মনুংদা তোংলিবা মীওইশিং অদুনা শ্বর ফুল্লকপগা লোয়নননা গাড়ীদা থিন্দুনা থোঙ হাংদোক্ল বা খঙহনবদা মখোল অদু তাবা ঙমখিদে। মনুংদা লৈরম্বা ওক্সিজেন শীজিন্নবা লোইখিবদগী মীওইশিং অদু শ্বর ফুন্দুনা লৈখিদবনি হায়রি।

অফঘানিষ্টান্দগী চহী ৩১ রোম শুরবা মন্সুলাহু কৌবা অমনা মী লল্লোনবা গ্রুপ অদু লুচিংলকখিবনি। মহাক্কী মথক্তা মরাল কয়া শিবগা লোয়নননা মহাক্লা তৌখিবা ফোনগী রেকোর্দিংসু ফংবা ঙল্লে হায়রি। মীওই অদুনা মনুংদা তোংলিবা মীশিংনা লাউরকপা নৎত্রগা মতেং পাংবীনবা হায়রকপদা তাদনা গাড়ী অদু মখোয়না পাল্লিবা পঙ্থুংফম য়ৌনা থৌননবা খঙহনখি হায়রি।

বুলগেরিয়া মচা ৯, লাহু অমসুং লেবানন মচা ১ সু থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চথখিবা কেসকা মরী লৈননা কোর্টতা লাকখি। প্রোসিক্যুটরনা হায়, মাইগ্রেন্টশিং অদু মীওই অমমমদা দোল্লর ৪,১০০ গী চাংদা লৌদুনা পুরকখিবনি। চহী অদুমক্কী ওগষ্ট ২৭ তা মী লল্লোনবগী থবক অদু অনীরকশুবা ওইনা চথনবা থৌরাং তৌরমখি হায়বসু খঙবা ঙল্লে হায়রি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা রেফ্যুজি নৎত্রগা মাইগ্রেন্টশিংদা মীনুংশি পোল্লকপা ৱাফম কয়া মায়কৈ কয়াদগী ফোংদোক্লরকখি। চহী অদুমক্কী ওগষ্ট থাদা লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীওইশিং অদুগীদমক ঙমখৈ হাংদোক্তুনা চঙহন্নবা ৱারেপসু লৌখি হায়রি।

কুমজা ২০১৫-১৬ তা মীওই মিলিয়ন ১ রোম জর্মনদা চঙশিল্লকখি। অদুম ওইনমক ৱাথোক অদু মখা তানা লাকপগা লোয়নননা লৈবাক অদুগী লুচিংবশিংনা বলকান রুট থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌখি হায়রি।

য়েমেনগী হিথাংফম হুদৈদাহদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখ্রে

হুদৈদাহ, জুন ১৪ (এজেন্সী)ঃ

য়েমেনগী হিথাংফম অমা ওইরিবা তেংবাংগী পোৎলমশিং পুশিনবগী মরুওইবা মফম হুদৈদাহদা সাউদিনা শৌগৎপা চুংশিন্নবা কাঙবুগা লোয়নননা য়েমেনগী লান্মীশিংনা রিবেলশিংগী মথক্তা লান্দাবদা ঙসি অকিবা ফংনা খুৎ থোক্লখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না লান্মীগী মীওই মরি শিখ্রে অদুগা হাওথি রিবেলগী কাদর ২২ হাৎপা ঙমখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ অরবকী ইমিরেটনা ফোঙদোরক্লি। খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু অল দরেহামি হায়না খঙনবা হিথাংফম সিটি অদুগী মনাক নকপা মফম অমদা থোকখি। মফম অদুদনা খ্বাইদগী হেন্না কন্না খুৎ থোক্লখি হায়রি।

চৈরকসিদা, য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীললনা য়েমেনগা অথুবা ওইনা ৱারী শাননবা থবক পায়খৎখ্রে হায়রি। লান নংলবা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ৮ লোম চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অদুদা রিবেলশিংনা খুদুম চনবা হুদৈদাহদা লৈঙাক্ল এটেক চথরক্লিবা অদুনা মীয়ামদা কা হেন্না অৱাবা নংহল্লবা য়াই হায়রি।

ইমিরেট ন্যুজ এজেন্সী ৱামনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, রিবেলশিংগী মথক্তা লান চথরিবা অদু লমদম অদু মনিং মখা তমহন্নবনি। লৈঙাক্কী লান্মীনা

এয়রপোর্ট অমসুং হুদৈদাহগী মফম কয়া কোয়শিন্দুনা থম্বগা লোয়নননা ইরান্না শৌগৎপা হাওথি রিবেল কয়া হাৎখ্রে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না খুৎ থোক্লবা অদুদা ইমিরেটকী লান্মী মরি শিখ্রে হায়বগী পাউ লৈ। হৌজিক অকনবা লান শোক্লরিবনা মখা তাবা পাউ ফংবা ঙমদ্রি হায়রি। চুংশিন্নবা কাঙবুনা হাওথিগী পোজিসনশিংদা ১৮ লক এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে। হুদৈদাহগী মতায়দা লৈবা শরুক কয়াদা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অদুনা য়ামদ্রবদা হাওথি রিবেল ফাইটর ২২ শিহনখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা হাওথি রিবেলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয়গী মথক্তা চুংশিন্নবা কাঙবুনা মিসাইল কয়া লানগী জহাজদগী কাপশিল্লকপা থেংনখ্রে। থৌদোক অদুদা কয়া য়াম্না মীশি-মীনা নংখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

হৌজিক শোক্লরিবা লানফম অদুনা য়েমেনদা চহী কয়া সিবিল ৱার থোক্লকখিবা অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী কনবা লানফম অমা ওইরে হায়রি।

চহী কয়া লৈবাক অদুদা সিবিল ৱার থোকপনা মরম ওইরগা মীওই লাখ কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। অদুগা লাখ ৪ রোম্না অশোক অপন অমসুং মীশি-মীনা নংখ্রে হায়রি।

চুংশিন্নবা কাঙবুগী ৱাঙাঙালোয় কোলোনেল টর্কি অল মলকিনা হায়, হাওথি রিবেলশিংদা ষ্ট্রিট ৱার চথবা পামদ্রে। মীচমশিংগীদমক খল্লগা মখোয়বু অশোয় অঙাম নংহন্দনবা চপ চাবা ষ্ট্রাইক চথবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়রি। লুচিংবা অদুনা অল হদাথ টিভিদা হায়, লৈঙাক্কী লান্মীনা লমদম অদুদা লৈরিবা এয়রপোর্ট অমসুং হিথাংফমশিং লৌশিনবা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। এয়রপোর্ট অমসুং হিথাংফমশিং অদু লৈবাক অদুগী কোনুং সনা য়ৌগদবা লম্বী পরিংদা লৈবনি হায়রি।

মতম শাংনা লমদম অদু হাওথি রিবেলশিংগী মখুৎতা লৈবনা লমদম অদুদা লৈরিবা মীওই লিশিং কয়া অৱাবা মায়োক্লন্দুনা লাকখ্রবনি। মীয়াম্বু শাফবা ফীভম অমা লৈহন্নবগীদমক রিবেলশিং অদু তকথোকখিনবা অকনবা থৌশিও অদু চথখিবনি হায়রি।

হাওথি রিবেলশিংনা লমদম অদুদগী হন্দোকখিনবা খঙহনখিবা অদুবু খঙশিন্নদনা লৈখিবা মরম্না মখোয়গী মথক্তা অকনবা ষ্ট্রাইক অদু চথরকখিবনি। কুমজা ২০১৪ দগী হৌনা য়েমেনদা সিবিল ৱার থোক্লক্লি। হাওথিশিংনা মখোয়গা চুংশিন্নবা রিবেলশিংগী মতেংগা লোয়নননা লৈবাক অদুগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুকশিং খুদুম চন্দুনা লৈরমখি। মদুতা ন নত্তনা লৈবাক অদুগী কোনুং সনা ফাওবা মখোয়গী খুৎতা লৈরমখিবনি হায়রি।

য়েমেনগী প্রসিদেন্ট অবদ্রাবুহ মন্সুর হানি রিবেলশিংনা চথরকপা ষ্ট্রাইক্তা খাঙবা ঙমদদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং থাদোক্তুনা চেনখিবসু লৈখ্রে। ফীভম অদুদা মপান লৈবাক কয়ানা খুৎ থিংজিল্লকপগা লোয়নননা হাওথি রিবেলশিং নমথনবা থৌশিল পায়খৎলকখি হায়রি।

ঈ য়াওদনা মেলেরিয়া চাংয়েং তৌনবা দিভাইস পুথোকখিবা মীওইদা মনা পীখ্রে

কম্পলা, জুন ১৪ (এজেন্সী)ঃ

ঈগী চাংয়েং তৌবদা মেলেরিয়া খঙদোকপা ঙমদবগী কেস অহুম থেংনখ্রবা মতুং উগান্দা মচা ব্রিয়ান গীতা কৌবা মীওই অমনা ঈ চিংদনা মেলেরিয়া লায়না খঙদোক্লবা দিভাইস অমা পুথোকখ্রে।

ঈ চিংদনা মেলেরিয়া লায়না চাংয়েং তৌনবা দিভাইস পুথোকখিবগীদমক অফ্রিকাগী খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইবা মনা পীদুনা উগন্দাগী চহী ২৪ রোম শুরবা ব্রিয়ান গীতাবু ঈকায় খুম্নখ্রে।

অনাবা মীওইগী খুৎশাদা রেদ বিল কাপশিন্দুনা মেলেরিয়া লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বা খঙদোক্লবা পুথোকখিবা দিভাইস অদুগীদমক রোয়েল একাদেমী ওফ এঞ্জিনিয়ারিংগী অফ্রিকা প্রাইজ অদু পীখিবনি। লায়না খঙদোক্লবগী দিভাইস অদু মোবাইল ফোনদা হাপ্পনবসু থৌরাং তৌরি হায়রি।

ব্রিয়ান গীতানা পুথোকখিবা দিভাইস অদু মাইতিবাবু হায়না মমিং থোল্লি। ঈ চিংদুনা মেলেরিয়া লায়না চাংয়েং তৌনবা হোৎনবদা ফেল ওইবগী থৌদোকশিং লৈখ্রবা মতুং অনৌবা দিভাইস অদু পুথোক্লবা মীৎয়েং থল্লকখিবনি। উগন্দাদা মী খ্বাইদগী হেন্না শিহল্লিবা লায়নাশিংগী মনুংদা মেলেরিয়া হায়বসিনা অহানবা

থাক্তা লৈরি। ব্রিয়ান গীতা লায়না অদুনা নারকপদগী মরিরক হন্না ঈ চিংদুনা চাংয়েং তৌবদা খঙবা ঙমখিদে। সাফিক সেকিটো কৌবা মাইতিবাবু হায়না মমিং থোল্লিবা দিভাইস অদু পুথোক্লবা হোৎনবদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, লায়না অদুনা শোকহল্লে হায়না চিংনবা মীওইদা ঈ চিংদুনা চাংয়েং তৌবদা চপ চানা খঙবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মীওই অমদগী ঈ চিংদনা লায়না অদু লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদু খঙদোক্লবা অকনবা মীৎয়েং থল্লকখি হায়নসু সেকিটোনা ফোঙদোরক্লি।

মাইতিবাবু হায়রিবা দিভাইস অদু ইচম চম্বা গেম চেঞ্জর অমনি। এঞ্জিনিয়ারশিংনা খুদোংচাদবা কয়া লাকশিন্দুনা থিজিনবা ঙম্মী হায়বদু হন্দক্কী অসিনা মপুং ফাবা খুদম অমা ওইরে। মখোয়না তৌখিবা চাংয়েং অদুনা হকশেলগী লমদা ফগৎহনবদা মতেং ওইরগনি। মাইতিবাবু হায়বগী ৱাহঙ্খোক্তি মেদিকেল সেন্টর হায়বনি। অদুগুম্বা চাংয়েং অদু অনাবা মীওই অদুগী খুৎশাদা চাংয়েং তৌদুনা লায়না অদু খঙদোকপা ঙম্মী। হান্না চৎনরম্বা চাংয়েং তৌবগী মওং অদু মখা তানা তঙাইফদবা ওইররোই হায়রি।

সিরিয়াদা চথখিবা লানদা সেরিন গ্যাস এটেক চথখি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে

সনা, জুন ১৪ (এজেন্সী)ঃ

সিরিয়াগী লতামিনা হোস্পিটালগী মথক্তা কুমজা ২০১৭ গী মার্চ ২৫ দা সেরিন এটেক চথখি হায়বগী খুদম ফংলে। মফম অদুদগী হঙ্গাম মপাল মচুগী সিলিন্দর অমা ফংবা ঙমখ্রে।

গ্লোবেল কেমিকেল ৱিপন ৱাটচ দোকনা হায়, নার্ব এজেন্ট অমা ওইরিবা সেরিন অমসুং ক্লোরিন গ্যাস সিরিয়াগী খুঙ্গংশিংদা শীজিন্নখি হায়বা খঙবা ঙল্লে। ওর্গনাইজেসন ফোর প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱিপননা হায়, কুমজা ২০১৭ গী মার্চ ২৪ দা লতামিনা হায়না খঙনবা রিবেলশিংনা খুদুম চনবা মফম অমদা সেরিন এটেক চথখি হায়বা চুল্লে। মদুতা নত্তনা মথংগী নুমীৎতা লতামিনা হোস্পিটালদা ক্লোরিন এটেক চথখি হায়রি। এক্টিভিষ্টশিংগী মতুংইন্না কেমিকেল এটেক অদু লৈঙাক্কী লান্মীশিংনা চথখিবনি। অদুম ওইনমক লৈঙাক্লা কেমিকেল খুৎলায় শীজিন্নখি হায়বা অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবনি হায়রি।

ꯑ/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet of HSLC Examination, bearing Roll No. 22675 of 1997 issued by BOSEM & Original Marksheet of Hr. Sec. Examination bearing Roll No. 17104 of 1999 issued by COHSEM, on the way between Mayang Imphal to Lamphel D.C. Office on 10th January, 2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Ngangbam Sobita Devi
Mayang Imphal ☎ **7085523144**

HL-P/1640/15

ꯑ/WALLET LOST

I have lost my Wallet containing Two nos. of ATM Card of SBI M.G. Avenue Branch & SBI High Court Branch, Identity Card issued by MSPCL, PAN Card and Aadhaar Card, on the way from Kontha Ahallup to Laihpam Khunou Makha Leikai on 13/06/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Universe Elangbam
Laipham Khunou Makha Leikai,
Imphal East ☎ **9089480112**

HL-P/1638/15

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEIROK

Ref:- Mut Case No. 232/SDC/Heirok Dt. 6/6/2018

Phijam Arunkumar Singh S/o Bhumeshwor Singh of Kairembikhok Mamang Leikai.

... *Applicant*

-Vrs-

Phijam Ibotombi Singh S/o (Late) Tolen Singh of Kairembikhok.

... *O.P.*

NOTICE

Dt. 15/06/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি থৌবাল তহশিল হৈরোক ইউনিট: খুল নং ১২৫ কাইরেম্বীখোক পাট্টা নং: ৯৫/ ১১৭/৩৯৬ সী. এস. দাগ নং: ৪৫৫/৬৩০ অরিবা, হেক্তর ০.০৬৮৮ ইখ্বোল পাট্টাদার শ্রী: মৃ: ওইখ্রে। পাট্টাদারগী মশুনুপা মথক্কী মৃ: পাট্টাদারগী মশুনুপাদা নামা পানবীয়ু হায়না উক্তা পাট্টাদারগী শরুক এরিয়া: ০.০৪৫৯ হেক্তরগী শরুক নমা পানবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বনা অপতি তৌবিনিংবা লৈরগদি, পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌবিরবা য়াগনি। পীজরিবা নুমিৎ অসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবগী মতুংইন্না কেশ অসি মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **M. Manglemba Singh**
Sub-Deputy Collector, Heirok

HL-P/1635/15

/পাইলস ওপরেসন তৌদনা ওজা কবিরাজ অব্দুল হককী হিদাক চাজবদগী মপুং ফানা ফজরে

তশেংনমক ৱাঙ্গৌই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাংদা লায়েংবিরিবা ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬, ৯৩৮৩২১৪৭৪৭** কী হিদাক চাজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবাঃ- খোঙ হাম্বা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজ নাম্থবা, ইনখৎত্রি ফাওবা চংদবা, খোঙ হাম্বা বেরা কাবা, কুইনা চংবা, শৌজ মপান্দা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, পুক খোংবা, গ্যেষ্ট্রিক কাবনি। অদুবু ওজাগী হিদাক চাজবদগী হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে। পাইলস মপুং ফানা ফজরে। হৌজিক্তি ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা অমফাওবা লৈজদ্রে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবা : **A. RAJU SINGH**
Mantripukhri Marry Land

HL-P/1427/15



TUTORLINE STUDY CENTRE
Estd. 2009
ADMISSION OPEN
Foundation Courses for Class - XI & XII (Science) & Special Arts Foundation Courses for Class-XII
OUR LAURELS IN HSLCE-2018
Patel Lairenjam
2nd Rank HSLC-2018
Malemnganba Oinam
19th Rank HSLC-2018
Nandeibam Sonia
89.6% HSLC-2018
Class timing: 4:30 a.m. to 7:30 a.m.
Class starts from : 14th June, 2018
VAN & HOSTEL FACILITIES AVAILABLE
OFFICE HOUR - 3:00 PM. TO 7:30 P.M.
Plz Contact : 9774233498 / 9856574172 Keishampat Sega Road, Near Naharolgi Thoudang
HL-B/4693/13/6-13/7

OFFICE OF THE
MANIPUR URBAN DEVELOPMENT AGENCY (MUDA)
PDA COMPLEX, NORTH AOC, IMPHAL

NOTIFICATION

Imphal, the 14th June 2018

No. 1/28/2018-MUDA: It is hereby notified for information to all candidate for posts of establishment of State Level Technical Cell (SLTC) and City Level Technical Cell (CLTC) under Pradhan Mantri Awas Yojana - Housing For All (Urban) in Manipur Urban Development Agency (MUDA), that the Examination which is scheduled to be held on 17-06-2018 (Sunday) has been postponed until further order due to incessant rain and flood in the state.

Sd/- **N. Gitkumar Singh**
Secretary
Manipur Urban Development Agency (MUDA)

HL-P/1642/15

CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
CASIAN Toppers of HSLC Examination 2018
8th Position
LANCHENBA OINAM
HSLC Exam 2018; 94%
(Man,E,M,Sc S,Sc,Hm)
19th Position
DEEPAK OINAM
HSLC Exam 2018; 92%
(Man,E,M,Sc S,Sc,Hm)
ROHIT KHUMUKCHAM
HSLC Exam 2018; 75.8%
(Man,M,Sc)
MAIBAM STEPHEN
HSLC Exam 2018; 74.5%
(Man, M)
LUNGINMANG HAOKIP
HSLC Exam 2018; 72.6%
(MIL,E)
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS XII, XI & X
SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oriented test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.
Seats are limited First come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/4647/25/5-26/6(Alt.)

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

For

- SPOKEN ENGLISH
  WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
  [Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-P/3351/3/5-3/6